# মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯–২০দা মুভালাই এঠলেটিক অমদি নেরোকা এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ৬ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ১৫ না সিঙ্গল লেগ রাউন্দ রোবিন লীগতা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচীশিংদা মুভালাই এঠলেটিক সদর হিলস অমদি নেরোকা এফ সি শাঙাকফম মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা য়ু কে বি চুড়চান্দপুর অমদি মুভালাই এঠলেটিকনা শান্নগদবা মেটচ অসিগী অপীবা মতমদগী মিনিট ৪৫ থেংথনা হৌখি। য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা লীগ অসিগী শিল্লি লাঙলিবশিংদা মখোয়না পীবা টিমগী য়ুর্নিফোম মান্নখিদবা অমদি মেটচ অসিবু কন্দক তৌগদবা ওফিসিয়েল অমা মতম চানা গ্রাউন্দা য়ৌরকখিদবনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচ অসি থেংথখিবনি হায়রি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা মুভালাই এঠলেটিক সদর হিলসনা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা মুভালাই এঠলেটিক্কী গোলশিং অদু ক্লিভিন মারনা মিনিট ২৯ অমদি ৫২ অদুগা সোঙপুনা মিনিট ৭৬ দা চনখি।

য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী কোচ এন সিবানন্দনা এটেক্কিংদা পাওলেনসিয়ামনা, মিডফিল্ডদা লানমিনলিয়ান বাইফৈনা অদুগা দিফেন্সতা লাললেনমাং সিলহৌনা লুচিঙদুনা শান্নহনখি অদুগা মুভালাই এঠলেটিক্কী মায়কৈদগীনা এটেক্কিংদা ক্লিভেন মারনা, মিডফিল্ডদা হাওলেনগৌ কিপজেন অমদি দিফেন্সতা ইমানুয়েল ইতাওটেনা ষ্টাটিং এলবেনগী লাইন অপ শেমদুনা কোচ গৌমিনলুন কিপজেননা শান্নহনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মিনিট ২০ ফাওবদি নাকল অনীনা লম্বা মান্নদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংন্দুনা টিমশিংগী গোল কিপ্পরশিংবু মথৌ চিলহনখ্রবসু গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈন্নখি। অদুবু মেটচকী মিনিট ২৯ চৎপদা মুভালাই এঠলেটিককী জর্সি নম্বর ১০ ক্লিভিনমারনা থাঙকিবেদ কিপজেননা নীংথিনা মারগীদমক খুদোংচাবা শেমদুনা দিফেন্দর ২ লাম্থোক্লগা পীরকখিবা বোলদা গোল একাউন্ট হাঙদোক্কুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু মুভালাই এঠলেটিকনা বোল পোজিসন হন্থদনা অদুমক শান্নদুনা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী মায়কৈদা পীবা প্রেসর হনবা লৈখিদবনা মেটচকী মিনিট ৫৫ চৎপদা ক্লিভেন মারনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। য়ু কে বিগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা গোল ২ অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা মপাঙ্গল ফুদোক্কুনা শান্নখ্রবসু মুভালাইগী গোল কিপ্পর মঙশাংলেনা হাওকিপননা মশাক থোকপা প্রফোমেন্স পীখিবনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

মসিগী মতুং মিনিট ৭৬ চৎপদা মুভালাই এঠলেটিককী জর্সি নম্বর ২৩ সোঙপুনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা মুভালাইগী মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল রোপেন, এন অরুনকুমার, এল গোকুলান্দ অমদি থাও জোনিচোথেনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মঙাশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা নেরোকা এফ সি শাঙকফম অমদি জি এস সি চুড়চান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচতা নেরোকানা অথেংবা মিনিটতা চনখিবা গোলশিংনা জি এস সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চীংশিনখি।

টিম অনীমক্লা মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতদি নেরোকা এফ সি শাঙকফমনা মখোয়গী মশক থোকপা প্রফোমেন্স উৎতুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ১০ গী মনুংদা গোল ৩ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২২ খায়মিনথাংনা মিনিট ৮০, ৯০ প্লস ১ অমদি জর্সি নম্বর ২৬ মঙলেমনা মিনিট ৮২ চৎপদা চনখি। জি এস সি চুড়চান্দপুরনা মিনিট ৯০ প্লস ২ দা গোল হন্দোকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা নেরোকাবু মায় পাকপগী লম্বীদা থিংবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা জি এস সি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ৮ লুনগৌ হাও অমদি জর্সি নম্বর ১৮ জাঙনৈথাংদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি রিন কাহাও বাসুং, এল রোজিৎ, কে অজিৎকুমার অমদি ৱাই হেমন্তনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবদা এ আই এম খাবম অমদি নাকো নম্বুল মপালনানা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদা এস এস য়ু শিংজমৈ অমদি এ এফ সি থৌবালগা শান্নগনি।

## মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ রাজাষ্টান ফুটসাল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা রাজাষ্টানগী এমদি কোলেজ গ্রাউন্দ উদাইপুর সিটিদা চত্থরিবা ১২ শুবা নেস্নেল ফুটসাল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেলদা তামিল নাদুগা হয়েং শান্নরগনি।

মণিপুরগী অহানবা লীগ মেটচতা পাঞ্জবকা শান্নগদবদা ৱাক ওভর ফঙখি। অমদি নুংথিলদা উত্তরখন্দগা শান্নখিবা মেটচতনা মণিপুরনা উত্তরখন্দবু গোল ৯–৩ দা মায়থিবা পীখি। মণিপুরগী গোলশিং অদু জেমসননা মিনিট ৭, ১৯, ২৯, ৩০, ৩৭, ৪০ দা গোল ৬, অতোপ্পা গোলশিং অদুনা ভেনসনা মিনিট ১১, চিঙ্খোনা মিনিট ৪২ অমদি নিপামচানা মিনিট ৪৫ দা চনখি।

## শান্ত এফ সি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ ও কে এস য়ু নিংথেমচা খূল য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৭ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্কুনা চত্থরিবা অনীশুবা ও এন ৱাই সি ট্রোফি ২০২০ লমলাই কেন্দ্র ৱিদ ইনভাইটিস ভিলেজ ৱাইজ মেন’স ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মুতুম শান্ত এফ সিনা সেক্তা (এ)বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা মুতুম শান্তা এফ সিগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ কিরননা মিনিট ১৫ অমদি জর্সি নম্বর ১২ ষ্টেলিননা মিনিট ২৭ চৎপদা চনখি।

# ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৪ দগী টিম ১৪ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্কুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০গী ফাইনেলদা ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলনা অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা থা অসিগী ১২ গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল / ওরেয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দা শান্নরগনি।

ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল / ওরেয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দা ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেল অমদি মোদেল ক্লব চিংঙামখানা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই য়ু সি সিনা মোদেল ক্লববু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মোদেল ক্লব চিংঙামখানা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ১৩ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৫৩ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীনা ওভর ৮.৪ দা ৱিকেট অমত্তা আউট ওইদনা রন ৫৪ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ১০ দা মায় পাকখি।

মোদেল ক্লব চিংঙামখাগী বেট্টিংদা ইশাননা বোল ২৪ দা রন ২৪, অবিজেননা রন ৬, সুশোননা রন ৬, লমজিংবনা রন ৪ অদুগা গ্রিনসন অমদি রামানন্দনা রন অমমম লৌখি অমসুং বেটসমেন ৫ না রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ৱাই য়ু সি সি গী বোল্লিংদা দিবাকনা ৱিকেট ৩, পূন্সিবনা ৱিকেট ৩, বিকাস অমদি কদমজিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি। ৱাই য়ু সি সিগী বেট্টিংদা থোইবনা রন ৩৯ অদুগা বিদিয়াশ্বরনা রন ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই য়ু সি সিগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা এন দিবাকনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এম অবুংচা অমদি পি দিনেসনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ শান্নখিবদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা আর সি এ লিল্লোংবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাস দব্লিউ সি লংথবালনা তোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হন্না খনবদা আর সি এনা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লি সি লংথবালনা ওভর ২৪ দা ৱিকেট ২ আউট ওইরগা রন ১৩০ লৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

আর সি এ লিল্লোংগী বেট্টিংদা ইমরান খাননা বোল ৪৩ দা রন ২৭, সাদনা রন ১২, অরিসনা রন ১১, অলফাসনা রন ১০, জমিরনা রন ৮ অমদি প্রভেসনা রন ৮ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা সৌবাম রোবিসননা ওভর ৬ দা ৱিকেট ৪৫ অদুগা মনিকান্ত অমদি শেরাম রোবিসননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা শেরাম রোবিসননা বোল ৪১ দা রন ২৫, সৌবাম রোবিসননা নোট আউ তা বোল ১৯ দা রন ২০, হেরোজিৎনা রন ১৭ অমদি মনিকান্তনা নোট আউটতা রন ৮ লৌখি। আর সি এ লিল্লোংগী বোল্লিংদা ইমটিয়াসনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী নোট অউটতা রন ২০ অমদি ৱিকেট ৪ লৌখিবা সৌবাম রোবিসননা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি ও গুলসন অমদি এস জয়েন্ত সিংহনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

# মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ নীনিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা পূন্না মেদল ৪৬ লৌখ্রে







ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ মাষ্টর এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী ১৪ ফাওবা ষ্টেট ২৭ দগী লাকপা পূন্না এঠলেট ৪০০০ রোমনা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৪১ শুবা নেস্নেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০গী ঙসি নীনিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ২৫, সিলভর মেদল ৯ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১২ পূন্ন মেদল ৪৬ লৌখ্রে।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নীনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ১৮, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৮ লৌখি। মণিপুরগী গোল্ড মেদলশিং অদু– কেঐচ মনিচান্দ সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ১০০ মিটরদা, কেঐচ রাধে লৈমানা চহী ৭৫ মথক নুপীগী ১০০ মিটরদা, টিঐচ বিদিসিনি দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ৫০০০ মিটরদা, টিঐচ ইবেহল দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী ৫০০০ মিটরদা।

শাপম মনিমহোন সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ৫০০০ মিটরদা, নিংঙোম্বম সুনিতা দেবীনা চহী ৩৫ মথক নুপীগী ৮০০ মিটরদা, এম ইন্দিরা দেবীনা চহী ৫০ মথক নুপীগী ৮০০ মিটরদা, সিঐচ থম্বালসঙনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী ৮০০ মিটরদা।

এল ইমোচা সিংহনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ৮০০ মিটরদা, থৌদাম একাশিনি দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী ৮০০ মিটরদা, এন ইবেমহল দেবীনা চহী ৫০ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা (মিটর ২২.৯) দা, আরকে দেবজানি দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা (মিটর ১৪.৫৫)দা, এস সুনিতা দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা (মিটর ১৪.৯০)দা, কোইজম মঙ্গোল দেবীনা চহী ৮৫ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা (মিটর ৭.৮১)দা, য়াঙ্গুপ অলিনা চহী ৭০ মথক নুপাগী লোঙজমদা (মিটর ৪.৭২) দা, এ ইবোপিশক সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী লোঙজমদা ( মিটর ৩.০৯), টিঐচ ইবোচা সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী লোঙজমদা (মিটর ৩.৮২)দা অমদি সোরোখাইবম মনি মৈতৈনা চহী ৯৫ মথক নুপাগী লোঙজমদা (মিটর ২.৬৭)দা গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা– কে তোম্বী সিংহনা চহী ৮৫ মথক নুপাগী কিমি ৫ ৱাল্কদা, এম জামিনি দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা মিটর ১১.৮৬ দা, এস থম্বাল দেবীনা চহী ৮০ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা মিটর ৬.৮ দা, ৱাইখোম ইবোমচা সিংহনা চহী ৫৫ মথক নুপাগী জেব্লিন থ্রোদা মিটর ৩৫.৬৭ দা,ঐচ নোরেন সিংহনা চহী ৪৫ মথক নুপাগী সোটপুটদা মিটর ১০.৩৭ অমদি এস মাইপাকসনানা চহী ৫০ মথক নুপাগী সোদপুটদা মিটর ১১.৭৯ দা মেদলশিং লৌখি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা– এল প্রমোদিনি দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী ১০০ মিটরদা, থৌদাম নবাকুমার সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ৫০০০ মিটরদা, এস মনিহার সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ৫০০০ মিটরদা, এম প্রমো দেবীনা চহী ৬০মথক নুপীগী ৮০০ মিটরদা, এন সনাতেম্বা সিংহনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ৮০০ মিটরদা, আর কে দনিসনা দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী দিসক্স থ্রোদা, হরিস কুমার টিৱারিনা চহী ৩৫ মথক নুপাগী হায় জম্পদা অমদি পৈপালুং গোলমৈনা চহী ৬০ মথক নুপাগী জেব্লিন থ্রোদা মেদলশিং লৌখি।

## ব্লেদ কোংবানা অনীশুবা আইকোপ ট্রোফি ২০১৯–২০গী মপু ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ খাঙাবোক ক্রিকেট ক্লব ( কে সি সি) খাঙাবোকনা শীন্দুনা দিসেম্বর ১৮দগী টিম ১২ না শরুক য়াদুনা খাঙাবোক কাবা গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা অনীশুবা আইকোপ ট্রোফি ২০১৯–২০ ষ্টেট লেভেল টি–২০ টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টগী মপূ ব্লেদ কোংবানা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা ব্লেদ কোংবানা ইঙোতোনবু এলবেনবু রন ৯ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মেটচ অসিদা ব্লেদ কোংবানা ওভর ১৩ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৭৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ইঙোতোন এলবেননা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৬৯ খক লৌদুনা মেটচ অসি ব্লেদ কোংবাগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ব্লেদ কোংবাগী বোবি না তাখি অদুগা মে ওফ দি টুর্নামেন্টনা মিষ্টর জনাবনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা বি জে পি মণিপুর প্রাদেসকী ফোমর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জদুমনি, খাঙাবোক জিলা পরিষৎতগী মেম্বর কেঐচ রাজ মোহন, এসপি থৌবালগী ডা. এস ইবোমচা, খাঙাবোক প্রার্ট–১ গ্রাম পঞ্চায়দকী প্রধান এন মালা দেবী অমদি খাঙাবোক পার্ট–৩গী জিপিগী প্রধান নোমিনি এম মঙলেমজাও সিংহনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ষ্টেট জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৪১ শুবা সব–জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র, আষ্টিটিক এন্দ এরোবিক জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপুটি ডাইরেক্টর লুনখোসৈ হাওকিপ, জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরী অমদি ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এস শান্তিকুমার সিংহ, ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এল টিকেন সিংহ অমদি ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এন বিনাবোন্দ সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১০ মখা নুপামচাগী ভোল্টিং টেবলদা য়ু ৱাই সিগী দব্লিউ চিঙ্খোঙানবনা অহানবা, টি য়োহেনবনা অনীশুবা অমদি পি ঐচ মহেসনা অহুমশুবা তাখি। চহী ১০ মখা ফ্লোর এক্সাসাইজদা য়ু ৱাই সিগী এন দিপকনা অহানবা, দি জি এ বিগী কেঐচ ৱাংলেননা অনীশুবা অমদি য়ু ৱাই সিগী দব্লিউ চিঙ্খোঙানবনা অহুমশুবা তাখি।

চহী ১২ মখা নুপামচাগী ভোল্টিং টেবলদা কে নেলদিসনা অহানবা, পিটর নাওরেমনা অনীশুবা অমদি কে সনায়াইমানা অহুমশুবা তাখি। পেরেলেল বারদা পিটর নাওরেমনা অহানবা, নেলদিসনা অনীশুবা অমদি প্রেমরাজনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়রু গালর্স ভোল্টিং টেবলদা ঐচ জেসিকানা অহানবা, টিঐচ প্রটিভানা অনীশুবা অমদি নিসা সোনা অহুমশুবা তাখি। বেলেন্সিং বিমদা ঐচ জেসিকানা অহানবা, টিঐচ প্রটিভানা অনীশুবা অমদি নিসা সোনা অহুমশুবা তাখি।

## বোক্সিংগী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা খেলো ইন্দিয়াগা খূৎশম্নদুনা হরিয়ানাগী রোটাক্তা লৈবা নেস্নেল বোক্সিং একাদেমিদা চহী অসিগী মার্চ ১৬ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা মণিপুগী টিম শেম্নবগী ট্রাইয়েলদা য়াওনবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বোক্সরশিংগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সব–জুনিয়র বোইজ অমদি গার্লসকী ট্রাইয়েল খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইং ২০০৬ জনুৱারী ১ দগী ইং ২০০৭ দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা বোক্সরশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সিং ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। ইলিজিবল ওইরবা বোক্সরশিংনা ওরিজিনেল বাউট সার্টিফিকেট, অধার কার্দ, করেন্ত স্কুল সার্টিফিকেট অমদি এজ ভেরিফিকেসন টেষ্ট রিপোর্ট ফ্রোম রিমস ওর জেনিমসদগী পীরকপা রিপোর্ট ট্রাইয়েল লাকপা মতমদা পুরক্কদবনি। হায়রিবা চে–চাং অসি পুরক্তবা বোক্সরশিং ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসি য়াওবা য়াওরোই হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনদগী খঙল্লবা য়াগনি হায়রি।

## এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফাল অমদি আর ই দি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কোনুমা মখা য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব ফুবাকচাউ কোনুমানা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ দগী টিম ১০ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্কুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনা ৱাই দি এ ফৌবাকচাও কোনুমাবু সেট ৩–০ ( ২৫–১১, ২৫–৮, ২৫–২১ )দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা আর ই দি ওনা য়ু এস দব্লিউ সিবু সেট ৩–০( ২৬–২৪, ২৫–২০, ২৫–২০) দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতা এল সি এলনা বি এস এবু সেট ৩–০ ( ২৫–২২, ২৫–০, ২৭–২৫) দা মায়থিবা পীখি।

মরিশুবা মেটচতা এম আই কে ঐচ ৱাই এনা য়ু এস দব্লিউ সিবু সেট ৩–১ ( ২৫–১৯, ২০–২৫, ২৫–২০, ২৫–১৯) দা, মঙাশুবা মেটচতা আর ই দি ওনা ৱাই দি এবু সেট ৩–০ ( ২৫–২২, ২৫–১৫, ২৫–২৩)দা অমদি ৱাই পি এনা এম এস দব্লিউ সিবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ দি এস ইন্টরপ্রাইজেস কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুঠ ইন্টিগেসন ক্লব ( ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোঙজম লৈকাইনা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৯ দগী ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল নীংশিং অন্দর ৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ৱাই আই সি কৈশামথোং মনিং লোঙজম লৈকাই অমদি ওল এফ সি উরিপোকগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা নুংথিল পুং ৩ তবদা থোইবা এফ সি অমদি আই পি এল এস সিগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা থোইবা এফ সিনা য়ু টি এল দব্লিউ ওবু গোল ৬–২ দা অমদি অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদনা আই পি এম এস সিনা য়ু কে সি সি এলবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

4th B'day on 11th Feb. 2020



Happy Birthday to Dear Berit Rajkumar S/o. Byagharjit & Anju

With Love and Best wishes from Badhou, Bobok, Papa, Mama, Yambung and all the Family Members

SL/5827/11

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com